

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস



**Wednesday, January 13, 2021, Imphal** — **Page 11**


যু এস এদা পাঙথোকপা অমেরিকন ফুটবোলগী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ওহায়ো ষ্টেটপু মায়থীবা পীদুনা নম্বর ৱান তাবা ঙমখ্রবা ক্রিমসন টাইদ টিমগী মায়কৈদগী ট্রোফি লৌদুনা হরাউবা ফোঙদোক্লিবা শান্নরোয়

যু এস এগী ফ্লোরিদাদা পাঙথোকপা দেলরে বিচ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মনুং চন্না ইন্টরভিয়ু লৌবদা কাঙলোনগী মতুংইন্না মাস্ক উপকদবা অদু উপ্পু যাদবদগী ফাইন তৌখ্রবা লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় খৃষ্টিয়ন হেরিসন

## চিংনবা লৈরিবা লৈবাকশিংবু অমুক হন্না থাজনবা টোকিও ওলিম্পিক ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা ফোঙদোকখ্রে

টোকিও, জন্যুৱারী ১২(এজেন্সী): হৌখিবা চহীগী জুলাই ২৪দগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা ওলিম্পিক গেমস অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মালেম শীনবা থুংনা চৈথেং পীরকপদগী চহী ১ য়ৈথোক্লগা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী হৌননবা শেম শারিবা অসিদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা গেমস মপূং ফানা পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা অদু ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা য়োসিরো মোরিনা ফোঙদোকখ্রে।



নীংশিংবা য়াবদি, হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা জপানদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা পোজিটিভ ওইবা মশীং ৭৮৮২ য়ৌদুনা হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী হেনগৎলকপা অদুনা মরম ওইরগা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপা ঙমগনি নৎত্রগা ঙল্লোই হায়বগী থাজনদবা কয়া অমা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লরকখিবা অমদি জপানদা লৈবা মীওই কয়াগী মোত লৌবদা চাদা ৮০না গেমস অসি অমুক হন্না য়ৈথোকপা নৎত্রগা পাঙথোক্তবনা ফগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু লাক্কদৌরিবা থা খরা অসিদা জপানদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি ভেক্সিন লাক্লবা মরম্না লাকশিনবা ঙম্লগনি। লোয়নবা ওলিম্পিক গেমস অসি শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোক্লগনি হায়বগী ৱাফম ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়োসিরো মোরিনা ওনলাইনদা জপানগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সী অমা ওইরিবা কিয়োদোগা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখিবনি।

ওলিম্পিক গেমস অসিদা লৈবাক ২০০ হেনবদগী লাক্কদৌরিবা মশীং য়াম্লবা শান্নরোয়শিংনা জপানদা লাকপগা লোয়নবা অতোপ্পা ওফিসল, কোচ অমদি জজশিংগা লোয়নবা ভাবোক কয়া অমসু লাক্তুনা পূন্না মীওই ২০,০০০ লোম শুগদৌরিবনি। হায়রিবা মশীং অসি জপান লৈবাক্কী ওইবা ভাবোক অমদি ওফিসলশিং য়াওদ্রিবনি।

ফীভম অসি য়েংলুবদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মায়কৈদগী জপানদা হৌজিক থেংনরিবা অনৌবা কোভিদ-১৯গী কেসশিং অদুদা যূম্ফম ওইরগা ওলিম্পিক গেমস অদুদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদবগী মমি তারকপা হৌখি। অদুবু টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা থল্লিবা পান্দম অদু শোয়দনবা গেমস অসি পাঙথোক্কনি হায়না অচেৎপা থাজবা থমখি।

অতোপ্পা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা চৈথেং পীরবা লৈবাকশিংগী মরক্তা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবগী ফীভম অদু জপানগা য়েংনরুবদা য়াম্না খেন্নে। জপানদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ১২৬কী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না শোকহল্লগা লৈখিদবা মীশীং অদু শুপ্নগী ৪,০০০ মুক্তনি। হায়রিবা মশীং অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা য়াম্না নেম্না লৈরি। কোভিদ-১৯ ভেক্সিন নৌনা পুথোরক্লবা মরম্না গেমস অসি লেপখিবা মতম জুলাই থাদা পাঙথোকপা য়াবগী খূদোংচাবা লম্বেল কয়া অমা লাক্লে হায়না য়োসিরো মোরিনা ফোঙদোকখি।

## বেলারসকী এরিনা সবালেনকা অমসুং রসিয়াগী কুদরমেটোভানা সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

অবু ধাবী, জন্যুৱারী ১২(এজেন্সী): য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসতা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা অবু ধাবী ৱিমেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস ফাইনেলদা বেলারসকী এরিনা সবালেনকা অমসুং রসিয়াগী ভেরোনিকা কুদরমেটোভানা লম্বা তৌনরগনি।



*অবু ধাবী ৱিমেন্স টেন্নিসকী ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা সবালেনকা (ওই) অমসুং কুদরমেটোভা*

ঙসি শান্নখিবা অবু ধাবী ওপন ৱিমেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় বেলারসকী এরিনা সবালেনকানা গ্রিসকী শান্নরোয় মারিয়া সাকারিগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অহানবা সেট অদু সবালেনকানা মারিয়া সাকারিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-৩দা থোইবা ঙমখি। মদুগী মখাতারকপা অনীশুবা সেট শান্নরকপদা বেলারুসকী শান্নরোয় অদুনা মখাতানা ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী সাকারিগী সার্ভিস গেম অনী অমুক ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬-২দা সেমীফাইনেল মেটচ অদু থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমীফাইনেল মেটচ অমদা রসিয়াগী ভেরোনিকা কুদরমেটোভা অমসুং য়ুক্রেনগী মার্টা কোষ্টিয়ুককা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নরক্তুনা টাইব্রেক্তা লাকখি। মদুদা রসিয়াগী কুদরমেটতোভানা পোইন্ট ১০-৮দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। অনীশুবা সেটতা ভেরোনিকানা অমুক ফজবা মশান্না উৎলক্তুনা মার্টাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইদনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

দবলসকী ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ জপানগী সুকো ওয়ামা অমসুং ইনা শিবাহরানানা ৮শুবা সিদেদ যু এসকী হেলি কার্টর অমসুং ব্রাজিলগী লুইসা ষ্টেফানিগা লম্বা তৌনরগনি।

## থাইলেন্দ ওপনদা ইন্দিয়াগী সিন্ধু অমসুং সাই প্রনিট মায়থীহৌরে

বেঙ্কোক, জন্যুৱারী ১২(এজেন্সী): চহী অসিগী অহানবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়োনেক্স থাইলেন্দ ওপন সুপর ১০০০ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন পি ভি সিন্ধু অমসুং সাই প্রনিট অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।

টুর্নামেন্ট অদুদা ৬শুবা সিদেদ ওইখিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা অহানবা রাউন্দদা দেনমার্ককী শান্নরোয় মিয়া ব্লিশফেল্টকা লম্বা তৌনবদা পুং ১ হেন্না চঙনা শান্নরবা মতুং সেট ১-২দা মায়থীখি। অহানবা সেট অদু পি ভি সিন্ধুনা ২১-১৬তা থোইখি। মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা সেটতা শান্নরোয় অনীগী মরক্তা য়াম্না লম্বা মান্ননা পোইন্ট খূদিংগী তান্নদুনা শান্নরকপদগী পোইন্ট ২৪-২৪ ফাওবা মান্নদুনা লৈখি। অদুবু দেনমার্ককী শান্নরোয় অদুনা মখা তারকপা ২৫শুবা অমদি ২৬শুবা পোইন্ট লৌবা ঙমখিবদগী সেট অদু থোইরগা দিসাইদিং সেটকীদমক শেম শাখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা পি ভি সিন্ধুগী মায়কৈদগী শোত্থবা মায়কৈ কয়া য়াওরকপা মরম্না দেনমার্ককী মিয়ানা ২১-১৩দা থোইরগা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদু মায় পাকখি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ১৩ ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিটনা অহানবা রাউন্দ অদু টুর্নামেন্ট অদুগী যূম্বু লৈবাক থাইলেন্দগী শান্নরোয় কান্টাফোন ৱাংচারোনগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট ২দা মায়থীবা নংখি।

অহানবা সেট ৱাংচারোননা ২১-১৬তা থোইখ্রবা মতুং অনীশুবা সেট অদুসু ৱর্ল্ড নম্বর ১৫দা লৈরিবা থাইলেন্দ মচা অদুনা ইন্দিয়াগী প্রনিটপু ২১-১০দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অদুগী মিক্স দবলদা ইন্দিয়াগী সাটৱিক অমসুং অশ্বিনিনা অহানবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী ফাইজাল অমসুং গ্লোরিয়াবু ২১-১১, ২৭-২৯, ২১-১৬তা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি। অদুবু নুপীগী দবলসতা অশ্বিনি অমসুং সিকি রেদ্দি কোরিয়াগী প্যেরগী মখূৎতা মায়থীহৌখি। সাইনা নেহৱাল অমসুং কিদম্বী শ্রিকান্ট কোভিদ-১৯গী মরম্না শান্নবা য়াওরোই হায়রম্বদগী নেগেটিভ ওইরকপদগী শান্নরগনি হায়রি।

## অহানবা ষ্টেট লেভেল বেসিক স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কোচিং কোর্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২(ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়রিং ফাউন্দেসন নোর্থ ইষ্ট জোননা শীন্দুনা মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসন অমদি মণিপুর স্পোর্ট ক্লাইম্বিং এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা মিনুথোংদা লৈবা এম এম টি এগী কংলা রোক ৱালদা অহানবা ষ্টেট লেভেল বেসিক স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কোচিং কোর্স পাঙথোকখ্রে।

এম এম টি এগী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচীংতাবমনা ঙসি কোচিং কোর্স অদু হৌদোকখি। লোয়নবা ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়রিং ফাউন্দেসন, নোর্থ ইষ্ট জোনগী চ্যেরপর্সন পদ্মশ্রী জি অনিতানা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখি। কোচিং কোর্স অদুদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই ১১০না শরুক য়াখি।

শরুক য়াখিবশিং অদুদা স্পোর্ট ক্লাইম্বিংগী তোঙান-তোঙানবা এক্টিভিটিশিং ওইরিবা বোল্ডরিং, স্পিদ ক্লাইম্বিং, লিদ ক্লাইম্বিং অমদি রোপ নোটকী ওইবা ক্লাসশিং য়াওখি। ঙসি শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদুনা থৱায় হকচাং য়াওনা স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কোচিং কোর্স অদুনা মখোয়দা ইনৌ নৌবা ঈথিল অমা পীবা ঙমখি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কোচিং কোর্স অসিনা শান্নবগী স্পিরিটকী খূত্থাংদা ইশানা ইশাবু থাজবা, অমগা-অমগা মরী লৈনবা অমদি দিসিপ্লিন লৈবগী লম্বেলদা হান্না লৈরম্বা ৱাখল্লোন অদুদগী হেনগৎনা লৈননবা হোৎনখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়রিং ফাউন্দেসন নোর্থ ইষ্ট জোনগী সেক্রেটরি অমদি কোর্স অসিগীসু দিরেক্টর ওইরিবা ডা. কে রোমিও মীতৈনা ট্রেনিং অদুগী হৌদোকপগী ৱারোল পীরদুনা মণিপুরদা স্পোর্ট ক্লাইম্বিংগী চাউখৎননবা অমদি লৈরিবা থাক অসিদগী হেনগৎনবগী মতাংদা ৱাফমশিং থমখি। মহাক্না মখা তারদুনা মণিপুরদা স্পোর্ট ক্লাইম্বিংগী হীরম অসিদা য়াম্না পাকথোক-চাওথোকপা য়াবগী খূদোংচাবা কয়া অমা লৈরি। অদুবু মালেমদা হৌজিক লৈনরিবা স্পোর্ট ক্লাইম্বিংগী অৱাংবা থাক্কী টেক্নোলোজি অমদি ক্লাইম্বিং ৱাল সিষ্টম অসি থাক নেম্বা মরম্না ঙসি ফাওবা মণিপুরদা মশান্না অসি থিন্থদুনা লৈরি হায়রি। অদুবু অসিগুম্বা খূদোংচাদবা কয়া লৈরবসু মণিপুরদগী নেসনল অমদি এসিয়ন চেম্পিয়ন কয়া পুথোকপা ঙমখ্রবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেন্দর্দ ৱাল অমা থমহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয় অনকিতা রাইনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন শরুক য়ানবগীদমক রাউন্দ ১ মায় পাক্কদবদা ঙাইরে



মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ১২(এজেন্সী): চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৮দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙম্নবগীদমক্তা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট শান্নরিবা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয় অনকিতা রাইনা রাউন্দ অমখক মায় পাক্কদবদা ঙাইরে।

ঙসি অনকিতা রাইনানা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী ৯শুবা স্পোট অদু ফংনবগীদমক্তা অনীশুবা রাউন্দদা যুক্রেনগী কটারিনা জবার্টস্কাগা লম্বা তৌনবদা সেট ২-১দা মায় পাকপা ঙমখি। জবার্টস্কা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা ৯শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইখি। অহানবা সেট অনকিতা রাইনানা ৬-২দা থোইদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা যুক্রেনগী কটারিনা জবার্টস্কানা অমুক লাকশিল্লকপদগী অনকিতা রাইনাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইখিবদগী সেট অমমম্ মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদা অকনবা লম্বা চত্থনখি। গেম ৩-৩দা লৈনখ্রবা মতুং অনকিতা রাইনানা যুক্রেনগী কটারিনা জবার্টস্কাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা অমদি মহাক মশামক্কী মায়কৈদগী মখা তারকপা সর্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌদুনা সেট অদু ৬-৩দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা অনকিতা রাইনানা স্লোভেনিয়াগী ওলগা দানিলোবিচপু থোইবা ঙম্লবদি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথন অমসুং প্রজনিশ গুনেশ্বরন ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌদুনা মখোয় অনীমক ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম শরুক য়াবা ঙল্লরোই।

রামকুমার রামানাথনবু চাইনিজ টাইপৈগী ৰু টুং লিননা অনীশুবা রাউন্দদা ৬-৩, ৬-২দা মায়থীবা পীরমখিবনি। অদুগা প্রজনিশ গুনেশ্বরনসু অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী কোনষ্টেন্ট লেষ্টিনগী মখূৎতা অনীশুবা রাউন্দ অদু ২-৬, ৩-৬তা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 4**

**WGM Zawadzka,J (2421) - GM Sasikiran,K (2672)**

**34th ECC Open 2018 Porto Carras GRE, 2018.10.15**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4c6 | 2.d4d5 | 3.Nd2dxe4 |
| 4.Nxe4Nf6 | 5.Nxf6+exf6 | 6.c3Bd6 |
| 7.Bd3O-O | 8.Ne2Re8 | 9.Qc2h5 |
| 10.O-Oh4 | 11.Be3Nd7 | 12.Rfe1Nf8 |
| 13.Rad1h3 | 14.g3Qa5 | 15.c4Qh5 |
| 16.Nf4Bxf4 | 17.Bxf4Bg4 | 18.Rc1Ne6 |
| 19.Be3Bf3 | 20.Qb3Re7 | 21.Qb4Rd7 |
| 22.Bf1f5 | 23.Rc3c5 | 24.dxc5Bc6 |
| 25.Bc1Nd4 | 26.Qa3Rad8 | 27.Bf4b6 |
| 28.b4Ba8 | 29.Bd6a5 | 30.Ree3axb4 |
| 31.Qxb4bxc5 | 32.Bxc5f4 | 33.gxf4Qg4+ |
| 34.Rg3... | | |

**QUESTION :**
**Black wins in 3 moves**

[Puzzle 3 Ans. : 17...g6 18.Nxe6Qxh5 19.Ng7+Kd8 20.Re8#]


### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 21/SDC/IW (P) of 2021**

Shri Sorokhaibam Kameshwor Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Ghari. ...*Petitioner*

-Vrs-

(Late) Shri Sorokhaibam Ibomcha Singh S/o (L) Anganghal Singh of Ghari. ...O.P. Party

/ **NOTICE**

12/01/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮২ - ঘড়ীগী পাট্টা নং ২২৫, ১২২, ৩৫, ২৪২ (অরিবা), ১৫১/২২১ (অনৌবা), দাগ নং ২৭৬/৩৭৫গী পোইন্ট ০.২২ একর চাউবা ইখোলগী শরুক্তা পোইন্ট ০.২২ একর চাউবা লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বর্ত্তনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২০/০১/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

HL-P/8551/13 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi***

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 25/SDC/IW (P) of 2021 Dt. 12/01/2021**

Smt. Tayenjam Ongbi Tampakleima Devi W/o (Late) T. Dorendra (Shakhenba) Singh of Keishamthong Top Leirak. ...*Petitioner*

-Vrs-

(Late) Tayenjam Shakhenba Singh S/o (L) Khomei Singh of Keishamthong Top Leirak. ...Opp. Party

/ **NOTICE**

12/01/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮১ - তাওবুংখোক্কী পাট্টা নং ৩৭৫ (অরিবা), ১৮৬ (অনৌবা) গী দাগ নম্বর ৫৯৫, ৬০৯, ৬১১, ৬৬০গী ১.৩৯৯৯৯+০.৬৫+০.৬৬+২.০৭৯৯৯=৪.৭৮৯৯৮ একর চাউবা অঙনফৌ অমসুং ফৌরেন লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বর্ত্তনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২০/০১/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

HL-P/8551/13 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi***

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mut. Case No. 16/SDC/NTK/2021**

1. Konjengbam (o) Ibeni Devi
2. Soibam (o) Nungshi Devi
3. Takhellambam (o) Radhe Devi
4. Heirangkhongjam (o) Basanti Devi
5. Angom (o) Manitombi Devi
6. L. Ratanabati Devi ...*Petitioners*

-Vs-

Late Nameirakpam (N) Laishram (o) Thoithoi Devi W/o Late Babu Singh (1.25) ...Opponent

/ **NOTICE**

Ningthoukhong, the 8th Jan., 2021

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 44 - Ningthoukhong গী Patta No. 277 (O), 860 (N), C.S. Dag No. 157 an area 2.54 acre of Phourel অসি Pattadar মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৭/০১/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/8556/13 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mut. Case No. 15/SDC/NTK/2021**

1. Laishram (o) Ratanabati Devi
2. Konjengbam (o) Ibeni Devi
3. Takhellambam (o) Radhe Devi
4. Soibam (o) Nungshi Devi
5. Heirangkhongjam (o) Basanti Devi
6. Angom (o) Manitombi Devi ...*Petitioners*

-Vs-

Late Laishram Babu Singh S/o Late Budha Singh of Ningthoukhong Kha-Khunou. ...Opponent

/ **NOTICE**

Ningthoukhong, the 8th Jan., 2021

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 44 - Ningthoukhong গী Patta No. 199 (O), 391 (N), C.S. Dag No. 1314 an area 0.58 acre of Ingkhol অসি Pattadar মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৭/০১/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/8556/13 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

# SMART TUTORIAL CENTRE

**ADMISSION OPEN**

**Revision Course 2021**
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)

**Foundation 2021**
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)

**Commences on 10th & 20th January 2021**

☞ Special fee concession for former student
☞ Regular mock test with analysis
☞ Well structured study material
☞ Separate hostel for boys & girls

*For details please visit* **Smart Tutorial Centre**
**Singjamei Super Market # 8730999192 / 9366048860**

HL-P/8361/28/12-26/01